৪০ শুবা চহী, ১৯৯ শুবা মশীং

**হুইয়েন লানপাউ**

য়ুমশকৈশা, ওক্টোবর ১৯, ২০১৬, ইম্ফাল

৪০ শুবা চহী, ১৯৯ শুবা মশীং


# মীচমদা বোমগী এটেক

## *পুলিস কম্মান্দোশিংগী থবক হেন্না কনখৎহনসি*

*মণিপুরদা* ঙল্লিঙৈ মতমদা হুরান-চিন্থিগী থবক য়াম্না কল্লমই। শগুণ তৌবা, ষণ হুরানবা, পোৎ লাকপগী থৌদোকশিং য়াম্না কুংলমই। লৌবুক্তগী ফৌ কারক্লগা মাঙ্গোন্দা নৎত্রা শুমাঙদা থম্বা ফাওবা অহিং শংদ্রবদি নোংঙানবদা মশিং হেক্তমক ৱাৎলমই। ইঞ্জিন পানবা গাড়ীনা মহুৎ শিন্দ্রিঙৈ ষণগাড়ী চৎনরিঙৈ মতমদা ষণ হুরানবা হায়বসি মীওই খরগীদি শিনফম অমা ওইরম্মী। হুরানবশিং অদুগী মতীক ময়াই কনবনা মীওই অমখক অহিং য়ারেক্লগা কোর্ট শংবা য়ারক্তবনা *রোং চৎপা* হায়না খঙনবা থৌশিল অমা শেম্লমই। লৈকায় অদুদা লৈবা য়ুমথোংগী নুপা অমমম থোরক্লগা অহিংদুমা খুল অদু ঙাক-শেনবগী থবক তৌবা কাঙবু অদুবু রোং চৎপা হায়রগা খঙনৈ। মসিমক নৎত্রবসু চহী খরগী মমাঙদা আসামগী হোজাই অমসুং অতৈ সিটিশিংদা লন্নাই মীওইগী য়ুমদগী হুরান-চিন্থি থিংননবা ইনাক-কৈরাক খুনবা মীওই খুদিংমক্কী মীওই অমমম অহিং তুমদনা শংবগী থবক তৌরমই। হায়রিবা তৌওংশিং অসি লোগী মায়োক্তা লৈবশিংনা মপাঙ্গল কল্লিঙৈ, লোবু ঙাক-শেনবশিং মপাঙ্গল শোন্না লৈরিঙৈগী মতমদা থোকপনি। হৌজিক্তি লোবু ঙাক-শেন্দুনা লৈরিবা পুলিস ফোর্স অদুক্কী মতীক মপাঙ্গল কল্লে। মখোয়গী মাঙদা মতীক ময়াই চেনবা হুরানবা অমত্তা লেপ্পা ঙমদ্রে, খুৎলায় পায়বা শঙ্গু-শঙ্গুসু মায়োক্লনবা থোরক্তে। মরম কয়া অসি য়েংলগা মণিপুরদা ঙাইহাক লৈতনা মীচম-মীয়ামগী য়ুমদা বোম লংশিনবগী থৌদোক থোরক্লিবসি চপ চানা মায়োক্লগদবদি পুলিস পার্সনেলশিংননি। মদু থেংননবগীদমক মখোয় লৈঙাক্লা তোলোব পীরগা থল্লিবনি। মসি থেংনবা ঙমদবা হায়বসি পুলিসকী ওইনদি থবক মঙম শান্দবগী খুদমনি। করিগুম্বা পুলিসনা অসিগুম্বা মওং মতৌ অসি চপ চানা থেংনবা ঙল্লোই হায়রগদি মমাঙঙৈগী মতৌগুম্না লৈকায়-লৈকায়গী রোং চৎপগী ফীভম অদু অমুক হঞ্জিল্লকপসু য়াই। অমরোমদা মীচম-মীয়াম্নসু ক্রাইম তৌবা মীওইশিং ফাননবা পুলিসতা তেংবাঙ পীগদবনি। মীয়ামগী তেংবাঙ য়াওদ্রবদি পুলিসনা লো এন্দ ওর্দর ঙাকপদা খুরৌ থাংগনি হায়বসি মীয়াম্না খঙবীগদবনি।

লম্ফেল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা চীংমৈরোং মমাঙ লৈকায়, তাঙ্খুল এভেন্যুদা লৈবা কন্ট্রেক্টর অমগী য়ুমদা থা অসিগী ১৭ কী নুমিদাংৱাইরমদা শকখঙদবশিংনা হেন্দ গ্রেনেদ লংশিন্দুনা এটেক তৌরকপদা য়ুম অদুগা নক্লবা মফমদা লৈরম্বা চহী নৌরিবী নুপীমচা অহুম বোম মচেৎনা পান্দুনা শোকখি। নুমিৎসিমক্কী অয়ুক্তা মণিপুরদা লেজিসলেটিব এসেম্বলিগী স্পিকর টি ঐচ লোকেশ্বরগী শগোলমাঙদা লৈবা য়ুম ময়াদা লেথোঠ বোম অমা ফংখি। হান্না দি জি ওইরম্বা ৱাই জয়কুমারগী নাওরেমথোং ময়াদা লৈবা ময়ুম মনাক্তসু বোম অমা অমসুং টাটা মোটোরসকী এম জি এভেন্যুদা লৈবা ওফিস মনাক্তা বোম অমা লৈরম্বদগী পুলিসনা অশোয়-অঙাম য়াওহন্দনা লৌথোকখিবগী থৌদোকশিং লৈখ্রে। বোম হায়বসি লান্দা শিজিন্ননবা লান্মীশিংগী ফরবা খুৎলায় অমনি। অদুবু মণিপুরদদি অসিগুম্বা মখলগী বোমশিং অসি লান্দা শিজিন্নবদগী শেলগী দিমান্দগা মরী লৈননা শিজিন্নবনা মশিং য়াম্বদৌনা তৌই। হন্দক মরক মফম খরদা বোম থল্লন্লিবশিং অসিগী তোঙান-তোঙানবা পান্দম লৈরম্বদি য়াই। অদুবু মসিনা মীচম মীয়ামদা হায়নিংঙাই লৈতনা মীপাইবা পোকহল্লি হায়বসিমদি হায়দবা ঙমদে। বোম হায়বসি পিন শৎলগা নৎত্রগা বেট্রি হাপ্তুনা সুইচ মেৎখ্রবদি মহাক্না পাল্লিবা মীওই অদুখক্তমক চৈরাক পীয়ু হায়বা য়ারোই। মনাক অদুৱাইদা অঙাং অমা চেন্থোরক্লে, পোকখায়খিগনু হায়বা য়াবা খুৎলায়সু নত্তে। মসিগীসু মথক্তা লায়র-ইনাক খুনবা, নুপী-অঙাং য়েংউ হায়বা য়াবা পোৎশক নত্তে। মরম অদুনা বোম হায়বসি মীওইবা খুন্নাইদদি খুদোংথীনিংঙাই ওইবা লানগী খুৎলাই অমনি। অমরোমদা পুলিসকী থবক থৌরমশিং হেনগৎলকপা অমসুং ক্রাইম তৌবশিংগী মায়োক্তা মীয়াম লেপ্পলকপনা মরম ওইরদুনা কনাগুম্বা খরদদি মখোয়না পাম্বা মীওই কিহন্নবা অরায়বা পাম্বেসি মী কনা উদ্রিঙৈদা বোম লংশিনবা হায়বসিনা ওইরি। মসিদি মী চঙদে, বোম লংলন্লিবা মীওই অদু মনাক অদুৱাইদা লৈশিল্লগা লৈবদা মহাক্না লংবনি হায়বা কনাগুম্বনা হেক্তা হায়বা য়ারোই। মহাক নাম্থোকখিনবগী খুদোংচাবা কয়ামরুম ফংই। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি লালহৌববু ওইরবসু, খুৎলাই পায়বা গেংবু ওইরবসু মীচম-মীয়াম্না লৈবা মফমদা পান্দম অমগীদমক বোম লংবদা মীচম শোক্কনি হায়বসি হান্না খনবীয়ু, পান্দম অদুদগী মীচম শোকহন্দবনা হেন্না মরু ওই হায়বদুসু নিংশিংবীয়ু।

### ••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

## চোঙথোক চোঙশিন

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**মণিপুরগী** ১১ শুবা জেনরেল ইলেক্সন পাঙথোক্কদবা কুইরক্তে হায়বা য়ারক্লে, শুপ্নতগী থা ৩/৪ খক্তা ঙাইরক্লে। মসিদা লৈরিবা পোলিটিকেল পার্টি পূম্নমক্কী মরাইবক লেপ্নগদৌরিবনি। পরিক্ষা থানগদৌরিবনি। পরিক্ষাদা পাউখুম চুম্না ইখিবা মীওইতনা মকোক মথং তারক্কদৌরিবনি। মতৌ অসুম্না পোলিটিকেল পার্টি পূম্নমক্কীসু অথোই অহেন তানগদৌরিবনি। অথোই অহেন তানগদৌরিবা অসিগী মমাঙদা লৈরিবা পার্টিশিংগী পোলিটিসিয়ন/এম এল এ খরদি হঙোইগুম পার্টি অমদগী পার্টি অমদা চোঙথোক চোঙশিনগী থবক কন্না চথরক্লি হায়বা তারে, হন্দক মরকসি। বি জে পিদগী কোংগ্রেসতা, কোংগ্রেসতগী বি জে পিদা, সি পি আইদগী বি জে পিদা, এম পি পিদগী বি জে পিদা, ত্রিনামুলদগী কোংগ্রেসতা। অসুম্না চোঙথোক চোঙশিনগী থবকসি ভোট মমাঙদা খরা অমগা অমুক উরকখিবা য়ারি। মসি পার্টি অদুদা লৈরিবশিংগী মরক্তা পেন্নদবদগী থোরকপনি খঞ্জে। তৌবগীবুদি ইমুং মনুং ফাওবা খৎনৈ, শাউনৈ, চৈনৈ, ঙাঙনৈ। মসিদগী মপা মচা তোঙান তোঙান লৈনবা য়াওই। অসুম্না পোলিটিকেল পার্টিশিংদসু চোঙথোক চোঙশিন তৌনরক্লিবনি। অমদগী অমদা য়াওরকপদা হরাউ তরাম্না ওকপা মশানা তাবনি। মরমদি মীশিং হেনগৎলকই, মীশিং হেনবনা ভোটতদি মায় পাক্লে। পরিক্ষাদসু মার্ক য়াম্না ফংবনা মকোক ওই। চোঙথোক চোঙশিন হায়বসি পোলিটিকেল পার্টিশিংগীদি মমাঙথক্তগী তৌদুনা লাক্লবা থৌওংনি, মসি মখোয়গী হৈনবীনি। ফাখিবা ঈশৈ নোংমতা ওইরবসু ঙংলকই হায়বদুনি।

অরোইবদা হায়জনীংবদি, মানা মানা য়াওনিংবা, মানা মানা চোঙনিংবা মফমদা চোঙখিবদা করিসু কায়বা লৈতে। অদুবু চোঙলবনিনা চোঙলুরিবা মফম অদু অমুক্কা হেন্না ফৎলমদ্রবদি করি কান্নগনি। তুং মাঙ য়েংবা তাই। ফুদিৎতা মাঙজোং চোংবদি কান্নদে। মীচম মীয়ামনা করিনো তৌনরিবা অসিবু খন্নরে। এম এল এ ওইবা তোকপসু য়াওনরে। কেন্দ্র মঙা হাংলে। মিদ টার্ম তৌবসু য়াররোই। মখোয়না চোঙথোক চোঙশিন তৌরগা মীচম মীয়াম্না মথা শানরে। চোঙথোক চোঙশিন তৌবগী মেরিট অমসুং দিমেরিট লৈগনি। মসি লাক্কদৌরিবা ইলেক্সন্দা খঙনরগনি। চোঙশিল্লিবা মানা পামজরবসু ওক্কদৌরিবা মানা ওকপীরক্তবদি কমদৌবা?

*অদোমগী - থোকচোম থম্বালঅঙৌ সিংহ*

*খাঙবোক ময়ায় লৈকায়*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২৭

১। ‘‘তাইবং মীৎ পেল্লম্বা ইশং শংনা/পামেলগী লৈতেং ওইরম্বা নীংথিবা/হে উনা! পুন্সি লোম্লমাল্লে/উফুল্লক্তা তাইবং খোঙগাওনরেদো।’’ কবি কনানা হায়রম্বনো?

২। ‘তলা পামেল নহাকসু’ শৈরেংগী লাইরিক অসি কবি কনানা ইবনো?

৩। ‘শমজিরৈ অমগীদমক’ হায়বা শৈরেংগী লাইরিক অদুগী অইবীদু কনানো?

৪। ‘পুন্সি পামেল’ মৈতৈলোন্দা কনানা হন্দোকপনো?

৫। হাপ্লিবা শক্তম অসি কনাগীনো? ☞



ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ২১, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহেগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী ড্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।

# হুরানবা নকোক্তা নাপী পকই

### চাইথোরকপা ৱাখল

### নরেন্দ্র নিঙোম্বা

হৌজিকপুদি লৈখিদ্রে, ঐগী ইতাও অমা লৈরম্মী। দ্রোং-দ্রোং ঙাঙবীনি, মঙোন্দা অরোন-অথুপ হায়বা অমা লৈতে, হায়নীংবদু শৎ হেক্তা হায়দোরকপনি। মীনা তাবদা নুংঙাইবা-নুংঙাইতবা মা কৈসু খন্দে, য়াম চম্মী। মবুক্তদি কৈমতা য়াওবা নত্তে। মানা হিংলিঙৈদা ঐখোয়নীসি পা-পাদুনা মীয়ামগী থবক খরা তৌরম্মী। এসোসিএশন পূনমিন্নরম্মী। মানা ফিংঙিরা, ঐনা ফিংঙিরা খঙদে, খজিক্তং ফরক তানবা নুমিত্তদি মানা মচিং হৌখ্রবা ঐনা তেথরে, ঐনা মচিং লাকখ্রবা মানা তেথরে। ইবানিমক মান্নবা নুমিৎতুমদি কুম্মৈ অদুম তারে। মরৈগী জাৎসিমা মানা হেক ঙমদ্রিখে তোক্তবীনি। হয়েং শান্নরসি হায়গা য়াপোৎতে। মখা অদুম চথবীনি। মমৈদা ইচম চম্না ৱারী শান্নরম্বদগী খূৎ য়াওগেগা তৌনরকইপোৎনি। শাথিখ্রবা ইতাওনি। মানা হেক য়াখিদবসি, কন্না হেক য়েৎখিবসি পোলিটিসিয়নশিংগী থৌওংসিনি। পোলিটিকেল মিটিং অমত্তা মহাক য়াওদে, শোয়বদগী নোংফাদোক্তা য়াওরুরদি নুমিৎ নীনি হুমনি মা ঈ অদুম কারে। ৱাগা ঙাঙনা য়াপোত্তে। মায় মতৌ তমদনা ঐসু, ভোটকী মিটিংসি কয়া থওইদে। ওইদবা ময়াম অমা পংহায়দা হায়নবদু তাবদা য়াম ৱাই। ঙাঙজরিবা মাগীবুদি মচিন পেঞ্জরমগনি। মচিন পেন্নবা ঙাঙবদা থোরক্লিবা ৱাহৈশিং অদুনি য়াম ফরক তারিসে। মা মশাদু কমাই তৌবনো হায়বসি ঙাঙজরিবা মখোয়না খঙদবদৌনা তৌই। করিগুম্বা মতমদা তুলসি মনাদগী হেন্না শেংবসু মাল্লি। শোয়বদগী হুরানবা নকোক্তা নাপী পক্লে হায়দু তাবা য়াবা ৱাগসু অদুম মশানা হায়দোকচরকই। অদু মা মশাদি খঙজপোত্তে। অতাবশিংসু লোইনা খঙবদি নত্তে। অদুবু অখঙবা য়াওরম্মোই হায়না খনবসু লাল্লি। তারিবা ময়াম অদুগী মনুংদা মঙোন্দগী হেন্না হৈ-শিংবা, খঙবা, অহৈবা কোকথোং অমা য়াওরি হায়বসি কাউদ্রবদি ফদৌবা? থোক-অ থোক-অবা পঙহায়দা হায়জিনবীগী থবকসি তোকপনা ফরবনি।

লাক্কদৌরিবা জেনরেল ইলেক্সন অসিগীদমক হৌজিকসি মণিপুরগী মফম খুদিংদা ভোটকী ইনিলসি ফজনা কানরে। মিটিং য়াম তোয়না তৌনরে। মমাঙঙৈদা তৌনরম্বা মিটিংনা অতিনবা মী খরনা তারম্বনি, হৌজিক্ল া নেটৱার্ক চেনেলশিংদা টেলিকাষ্ট তৌনরবনিনা মণিপুরগী মীপুম খুদিংনা তারে হায়বফাওবা য়ারবনি। শ্বাইসিদনি ৱা ঙাঙবদা য়াম্না লুরিবসে। য়াম্না শিংনা হৈনা ঙাঙদ্রবদি, তাবদা নুংঙাইতবা, ভোট থাদনীংবগী মহুত্তা খোইদৌ শাউগৎপা মী কোকথোং অমা লৈরে হায়বসি মিটিংদা ৱা ঙাঙবিরিবা, ভোট খোম্বীরিবশিংনা খঙবীবা মতম য়ৌরে। পীকখ্রবা মণিপুরসিদা অমনা তৌবা অমনা খঙই। টেবল মখাদা মখূৎ তিংথোক্লরগা শেনয়োম লান্নবা মীপুম খুদিংনা লোয়না খঙনৈ। অদুনা করপসনগী ৱাসি হায়বিদবা ফৈ, করপসন তৌজদে হায়বা অমত্তা শেংনা থোকপীরকউ মনা পীজগে। মমাঙঙৈগী ৱারীদা নিংথৌ মচানুপা অমা কন্না নারবদা, মাইবনা মপুন্সিগী অরানবা তৌদবা অমনা মমায়দা অমুক্তা নালহল্লু নাবা ফগনি হায়রবদা, নিংথৌনা লৈবাকসিদা লৈরিবা মপুন্সিগী অরানবা তৌদবা মীনি হায়না খনবা খুদিংমক্লা মচাগী মমায়দা নানবদা অনাবা ফবা ঙমখিদে। অচুম্বা অফবা শাদুনা লৈবাক ৱায়েল থৌদারিবা নিংথৌদা লৈবাক মীয়াম্না ইনিংথৌ ওইনা ইচাগী মায়দা নানবীয়ু হায়বদা নিংথৌনা য়াখিদে, মরমদি মানা হেন্না অরানবা তৌই হায়বসি মশানা খঙজবনিনা, মমৈদা নিংথৌ মচাদু কনবা ঙমদবদগী শিখিবগী ৱারী লৈরিদুনি। অশেংবা কৈসু লৈবা নত্তে হায়বসি ইখঙ খঙনৈ। অদুনা শেল চাদবা, লৈবাক্কী অফবা তৌবা শাবা, মীয়ামগী খনবা শাবগী ৱাসি নত্তবদা খরা থৈরগা ইচম চম্না নুংশিবীয়ু ভোট থাদবিয়ু হায়না হায়বনা হেন্না ফবরা খল্লি।

লাক্কদৌরিবা ইলেক্সন অসিদা অকনবা লম্বা তোইনা থেংনগদৌরিবসি মপূং ওইনা হৌজিক য়েংবদা নেসনল পার্টি অনীনি হায়বসিমদি শোয়দ্রে। কোন্না ভোট ময়া নকশিল্লক্কান্দা পার্টি খরমসু থোরকখিবা য়ারি। অনৌবা লিংখৎপা রিজনেল পার্টি খরসু লৈরি তাই। অদুবু হৌজিকমক্কী ওইনা টিকেট তানরিবসি খুবাক্কা থম্বালগদনি। অনী অসিগী ৱান দে পোলিটিকেল কনফরেন্স হায়গেরা, ৱান দে বুথ লেভেল মিটিং/ কনফরেন্স হায়গেরা য়াম্না পাঙথোক্লরি। মী খোম্ন দুনা চাক-ঈশিং য়াওনা মিটিংসি তৌনরি। তৌসনু কায়দে। তৌবতবু হায়নরিবা ঙাঙনরিবশিংদু টি ভি চেনেলশিংদা লোইনা থারকপনিনা ফজদবা ৱাহৈমক নৎত্রবসু থিনা থিনা চৈনরি, ঙাঙনরি। মখোয় মখোয়গী পার্টিনা অফবনি হায়না মীয়ামদা উৎনবা ৱাহৈ ওইনা লাউ খোঙনরি। শাংলবা মতমশিং হৌখ্রবশিংদুদা ৱাহৈগী মহুত্তা থবক ওইনা মীয়ামদা তরং-তরং উহন্নবা হোৎনবগী থবক্তি কৈদৌহৌবনো খঙদে। হৌজিক্তদা পংহায়দা হায়নরকই।

তাবদবুদি নুংঙাই হায়বু, কুম পুরবা প্রোজেক্ট কয়া লোইশিনবা ঙমদ্রিবসি মরম থিদোক্তুনা অশেংবা অচুম্বদুদি অমত্তা হায়নদে। ঙম্না ঙম্নবা হায়দুদা অদুম তৌ লৈনরে। জিরি লম্বী শেম্বগী ৱাফম অমনা অমদা থংজিল্লি। অনীমক্লা তৌশিৎপা থবক্তি নত্তে। অমনা সেন্টরদা, অমনা ষ্টেটতা চাওনরিবা ঙাক্তনি। লৈবাক্কী মীয়ামগী খল্লগদি মোই মোইনা ঙম্বা থবক্তা লম্বীসি লোইশিনবদা মশানা ভোট খোমদ্রসু অদুম কাজরদৌ নৎত্রো? সেন্ট্রেল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি শাবা হৌবা হৌদবা নাকল অনীনা মরাল থংজিন্নদুনা লৈ। লৈবাক্কীদমক খল্লগদি অদুম তৌবা য়াবনি। ষ্টেট গভর্ণমেন্টসু কৈমতা তৌদে হায়বা য়ারোই। মখোয়সু মখোয়না ঙমজবদা হোৎনরি। গভর্ণমেন্ট পায়দবা কাঙবুসু মখোয়না ঙম্বা এরিয়া কয়া অমা শোয়দনা লৈরমগনি। অদুগুম্বদুদা থম্মোয় শেংনা তৌনৌ হায়বনিদা লৈবাক মীয়াম্না হায়রিবনা, ভোট ময়াসিদা অদুনি অদানি, মানা অদু তৌবনি-অদা তৌবনি হায়না পংহায় হায়নবদু তোকপীরো, অদুই শরুক মখোয়না তৌগদবা ভিজন লোমদা মিৎয়েং থম্লগা ভোট খোম্নবনা হেন্না ফৈ হায়না মায়কৈ কয়াদগী লাউনরিবসি খরসু মতাবা ফৈ। মখোয় মখোয়না ঙাঙবনা হেক্তা চুমগদবসু নত্তে। হোই দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমদা পোলিটিকেল পার্টি অমগী নৎত্রগা মীয়ামগী মীহুৎকী থৌদাংসি অসুক্কী মতিক চাওই। চাওই হায়দুনা মোইনা হেক্তা হায়বনা চুম্মী হায়না খনবদি লানগনি। চাওবা হায়দুনা অমনি, মিৎয়েং চুম্বা অখঙবা হায়দুনা অমনি। অখঙবদি লৈবাক মীয়াম মরক্তা য়াম লৈ। হায়জিল্লসু চৎলরোইদবা, ঙাঙশিল্লসু তাররোইদবা ময়াম অমনা মখোয়বু নাকোয়ননা ইন্থোক্তুনা থম্মী হায়বসি খঙনবা ফবনি। ঙাইহাক্কী চিন পেন্নবা পংহায় হায়বদুনা মীয়ামগী পূক্লিং থেম্বা অমদি খোনবা ঙমগনি হায়বসি মমাঙঙৈ মতম নৎত্রবনিনা য়াদৌ মান্দে। মরমদি মীয়ামসি লাইরিক য়াম হৈনরে। এম এল এ মিনিষ্টরনা হৈনরিবা লাইরিক্তগী মীয়াম্না হেনবনি, হেল্লবনি। মসিমসু খঙবা ফরবনি।


মিটিং তৌদবা য়াপোত্তে, তৌগদবনি। মিটিংদা মখোয় মখোয়গী পার্টিগী অমদি কেন্দিদেট অদুগী মিৎয়েং, ৱাখল অমদি তৌগে খনবশিং অদুদা নৈনদুনা অফবা লুচিংবা খনবগী মতম অদু হৌজিক য়ৌরবনি। য়ু এস এগী প্রসিদেন্ট খনবগী মীখলগী মিটিং অমদি কেন্দিদেটশিংনা পুথোক্তুনা ঙাঙনরিবা নৈনরিবা অসি মতৌ তমনীংঙাই ওই। তৌরোইদবা, তৌবা ঙল্লোইদবা ময়াম অমদা মীয়াম্বু পূক্লিং শুম্নবা হোৎনবা থাদোক্লগা রিএলিটি গ্রাউন্দদা বেসিক ওইরগা ভিজন লোমদা লাক্লগদি লৈবাক্কীসু অফবা ওইগনি। অমনা মীয়াম্নসু লুচিংবা খরগী শেলগী লাংদা য়ারিবমখৈ থুদবা ফরবনি। লুচিংবা খনবা হায়বসি অরুৱা থবকনি। চহী মঙা পুখখিবা হায়বসি দিভলপমেন্টতদি অচৌবা খুরৌ অমনি। ঐগী ইতাওদু হৌজিক ফাওবগা লৈরদি কুম্মৈ তানি। মিটিং অমতা মায় পাক্লোই কায়বনা হান্নি। অদুনা লৈবাক মচাশা লুচিংবা খনবা হৈরসি। ঐখোয় শিংলসি। ঐখোয়না ঐখোয়গী লুচিংবা খনবদা ৱাখল চুম্না খন্দুনা লৈবাক মীয়ামগী খনগদবা মীশক মশক মুন্না খল্লগা ভোট পীরসি।

# নোবেল প্রাইজ ২০১৬ঃ কেমিষ্ট্রি


## মোলিকুল্যের মেছিন দিজাইন তৌবা অমদি শাবা ঙমখিবগীদমক





খুৎয়েক ১ : কোরিগী আইওনা মোলিক্যুল অনিবু পুনশিন্নহনবা (ওয়), অনৌবা থা মচেৎ শাবা মোলিক্যুল অমা পুশিল্লকপা (ময়াই), মোলিক্যুল অনিগী চেইন শেল্লবা তুংদা কোরিগী আইওন লৌথোকখিবা (য়েৎ)





খুৎয়েক ২ : ক) ইলেক্ট্রোন ৱাৎপা রিংবু খোরাদা পুশিল্লকপা, খ) রিংদু ক্লোজ তৌশিল্লগা খোরাদা লৈহনবা, গ) রিংদুনা ইলেক্ট্রোন হেনবা ষ্ট্রকচর অমদগী অমদা চোংবা




খুৎয়েক ৩ : ফেরিঙ্গাগী মখোং মরি পানবা নানোকার



Sauvage



Stoddart



Feringa

### সাইন্সকী খোঙচৎ

### কুঞ্জো নাওরেম

**মেছিন্না** থবকশিংবু লায়না মতম চঙহন্দনা অমদি থুনা তৌহনবা ঙম্মী। অসিগুম্বা অচৌ-অচৌবা মেছিনশিংদগী হৌরগা মীৎনা উবা ঙমদবা মেছিনশিং ফাওবা শাবগী মথৌ তারকই। নানোস্কেলগী মেছিন, মোটোর অমদি দিভাইসশিংসি অনা-লায়েং, ইলেক্ট্রোনিক্স, কম্প্যুটিং অমদি ষ্টোরেজ দিভাইসশিং শাবদা য়াম্না কান্নবা পীরগদৌরিবা ঙাক্তনি। খুদম ওইনা, নানোরোবোত, নানোমেছিনশিংবু ঐখোয়গী ঈগী ঈচেলদা কাপশিনখ্রগা হকচাং মনুংদা কেন্সরগী সেলশিং থিহনবা, নারিবা মফমদুদা হীদাক পুদুনা চৎহনখিবা য়াগনি। অতোপ্পা অমরোমদা মোলিক্যুলর মেছিনশিংগী মতেংনা স্মার্ট মেটেরিএলশিং শেমদুনা মশা মথন্তনা অকায়-অতোয় মেনশিঞ্জবা ঙম্বা ইঞ্জিন, য়ূম, থোংনচিংবা শাবসু ঙল্লক্কদৌরিবনি। অদুনা মোলিক্যুলর রোবোট পুথোকপা হায়বসি ইচম চম্বা দিস্কভরি নৎত্রগা ইনভেন্সন নত্তে, মসিনা তাইবঙপান্দা অচৌবা অওনবা অমা পুরক্কনি হায়বগীদমক মোলিক্যুলর মেছিনগী লময়ানবা অহুম ঃ স্কোটলেন্দদা পোকখিবা সার ফ্রেসর ষ্টোদার্ট (Sir Fraser Stoddart), নেদরলেন্দগী বরনর্দ ফেরিঙ্গা (Bernard Feringa), অমদি ফ্রান্সকী জিন-পিয়র সুভেজ (Jean-Pierre Sauvage) দা কেমিষ্ট্রিগী নোবেল মনাসি পীরিবনি।

কেমিকেল বোন্দ হায়বসি কেমিষ্ট্রিদদি য়াম্না চাওবা রোল লৌরিবা শরুক অমনি। মোলিক্যুল খুদিংমক এটমশিংনা ইলেক্ট্রোন খায়গৎনদুনা শেম্বা কোভেলেন্ট বোন্দশিংনা ফাজিন্নহন্দুনা শেম্মী। মসি মহৌাগী মচৎনি অদুবু থিজিল্লোয়শিংনা পাল্লিবদি মহৌশাগী মতৌদু তল্লগা খূৎশেমগী মেকানিকেল বোন্দ অমা শেম্বনি। বোন্দসি শেম্বদা এটমশিংনা ইলেক্ট্রোন খায়গৎহন্দবা অসিনি ঙল্লিবসি। মসিগী থবকসিদা অহানবগী ওইনা অচৌবা অহোংবা অমা পুরকপা ঙমখিবদি সুভেজনি। সুভেজ অমসুং মহাক্কী থিজিল্লোয়শিংনা ফোটোকেমিকেল কমপ্লেক্সপু মোদেল ওইনা লৌরগা, খুজিগুম্না ইকোয় কোয়বা মোলিক্যুল অমগা থা মচেৎকী মওং ওইবা মোলিক্যুল অমগবু কোরিগী আইওন অমনা চিংশিনহল্লম্মী (খূৎয়েক ১)। কোরিগী আইওনসিনা কোহেসিভ ফোর্স অমা পীদুনা মোলিক্যুল অনীদুবু ফাজিন্নহল্লি। মসিগী মতুংদা হান্নগী থা মচেৎ শাবা মোলিক্যুল অদুগা অহুমশুবা থা মচেৎ শাবা মোলিক্যুল অমগা ফাজিন্নহন্দুনা খুজিগুম্বা মোলিক্যুল অমা শেমদুনা খুজি অনীগী চেন শেম্মী। হৌজিক মখোয়না কোরিগী আইওন্দা চেন্দুদগী লৌথোক্লম্মী। অসুম্না মোলিক্যুলশিংগী চেন শেম্বগী থবকসি মতমদুদা মায় পাকপগী চাং য়াম্না নেম্লম্মী হায়বদি পাল্লিবা মোলিক্যুলশিংদু ফংবগী পর্সেন্টেজ য়াম্না নেম্লম্মী। অদুবু সুভেজনা কোরিগী আইওন শীজিন্নদুনা ৪২% ফাওবা ফংহনবা ঙমখি।

মসিগী মখা তারকপদা, Catenanes হায়না খঙনবা মোলিক্যুলর চেনশিংসি শীজিন্নদুনা মোলিক্যুলর মেছিনশিং শাবা য়াগনি হায়বসি সুভেজনা খঙলকখি। মেছিন নৎত্রগা মোটোর হায়বসিদা মতাং চানা লেং-ওৎপা ঙম্বা পার্টশিং য়াওবা তাই। মসিগী থবকসি খুজি অনীগী চেন য়াওবা মোলিক্যুলনা পাঙথোকপা ঙম্মী। কুমজা ১৯৯৪ দা সুভেজগী থিজিন কাঙবুনা এনর্জি পীশিনবা মতমদা খুজি অমনা অতোপ্পা খুজিদুগী অকোয়বদা উংহনবা ঙমখি। অসুম্না ইহান হানবা মোলিক্যুলর মেছিনগী মমি তল্লকখি।

অনীশুবা মমিসিনা সার ফ্রেসর ষ্টোদার্টনা তমহনখিবনি হায়না দি স্বিদিশ একাদেমি ওফ সাইন্সেসনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোক্লি। কুমজা ১৯৯১ দা মহাক্কী কাঙবুনা ওপন রিংগী চেন অমগা, অশাংবা মোলিক্যুলগী য়োৎচৈ নৎত্রগা ধোরা (axle) অমগা শাবা ঙমখি (খূৎয়েক ২)। ওপন রিংগী চেনসিগীদি ইলেক্ট্রোন ৱাৎনা য়াওই অদুগা ধোরাসিদদি ইলেক্ট্রোন হেন্না য়াওরবা ষ্ট্রকচর মফম অনীদা য়াওই। মোলিক্যুল অনীসি সোলুসন অমদা থেংনহনবা মতমদা ইলেক্ট্রোন ৱাৎপা শরুক্কা ইলেক্ট্রোন হেনবা শরুক্কা চিংশিন্নদুনা রিংদু ধোরাদা শমজিন্নহল্লি। মথংগী ষ্টেপ্তা থিজিল্লোয়শিংনা হাংদোক্লিবা রিংদু থিংজিল্লি হায়বদি ক্লোজ তৌশিন্দুনা ধোরাদা লৈহল্লি। অসুম্না মখোয়না রোটাক্সেন (Rotaxane) হায়বা মোলিক্যুলসি শাই। মোলিক্যুলসিদা মৈশা পীশিনবা মতমদা রিংদু ধোরাগী ইলেক্ট্রোন হেন্না য়াওবা মফম অনীদুদা চোঙথোক চোঙশিন তৌরকই। কুমজা ১৯৯৪ দা চোঙথোক চোঙশিন তৌরিবদু মপূং ফানা কন্ট্রোল তৌবা ঙমখি। চহীদুদগী হৌরগা ষ্টোদার্টকী কাঙবুনা তোঙান তোঙানবা রোটাক্সেনশিং শীজিন্নদুনা মোলিক্যুলর মেছিন কয়ামুক শারম্মী। মখোয়গী মনুংদা নানোমিটর ০.৭ ৱাংনা চোঙখৎপা ঙম্বা মেছিন, রোটাক্সেন্না কোলহনবা ঙম্বা খূৎশেমগী তোংশা পনবা য়াই। অতোপ্পা থিজিল্লোয়শিংগা পূন্দুনা ষ্টোদার্টনা রোটাক্সেন্দা য়ূম্ফম ওইবা কেবি ২০ গী মেমোরি লৈবা কম্প্যুটর চিপ অমসু শাবা ঙমখি।

কুমজা ১৯৯৯ দা বেন ফেরিঙ্গানা অহানবা মোলিক্যুলর মোটোর অমা পুথোকপা ঙমখি। মোলিক্যুল অসিদা অপীকপা রোটোর ব্লেদ অনী অমসুং অপাকপা কেমিকেল ষ্ট্রকচর অনীগা য়াওই। কেমিকেল ষ্ট্রকচর অনীসিবু কার্বোন এটম অনীগী মরক্তা দবল বোন্দনা ফাজিন্নহল্লি। রোটোর ব্লেদ অনীমক্তা মিথাইল গ্রুপ অমমম হাপচিন্দুনা রোটোর ব্লেদতু মায়কৈ অমদা উংবা য়াহল্লি। মোলিক্যুলদুদা অলত্রাভাইওলেটকী মঙাল অমুক্তং থাজিনবদা ময়ায়থংবা শরুক্তা লৈরিবা বোন্দবু কোয়দুনা রোটোর ব্লেদ অমনা দিগ্রি ১৮০ উংই। মথংগী অলত্রাভাইওলেট অমুক পীশিনবদা রোটোর ব্লেদতু অমুক দিগ্রি ১৮০ উংই। অসুম্না অলত্রাভাইওলেট লেপ্তুনা পীশিন্দুনা মখা তানা অদুম উংহনবা য়াই। অহানবা মোলিক্যুলগী মোটোরসি অদুক কন্না উংবা ওইরমদে অদুবু কুমজা ২০১৪ দদি মোটোরদুনা সেকেন্দ অমদা মিলিয়ন ১২ রক উংহনবা ঙল্লকখি।

কুমজা ২০১১ দা ফেরিঙ্গানা মাগী থিজিল্লোয়শিংগা লোয়ননা মখোং মরি পানবা নানোকার অমসু শাবা ঙমখি (খূৎয়েক ৩)। হায়রিবা নানোকারসিদা কাংখোংগী মথৌ তৌবা ঙম্বা মোটোর মরিগা লোয়ননা মোলিক্যুলগী চেসিস অমা য়াওই। কাংখোংশিংদুনা উংলকপা মতমদা কারদুনা লৈমাই অমদা চৎপা ঙম্মী। অতোপ্পা চাংয়েং অমদনা মখোয়না মাইক্রোমিটর ২৮ শাংবা গ্লাস সিলিন্দর অমবু মোলিক্যুলর মোটোর শীজিন্নদুনা উংহনবা ঙমখি। গ্লাস সিলিন্দরসি মোলিক্যুলর মোটোরশিংদুদগী শরুক লিশীং তরারোম চাওবা হেল্লি। চাংয়েংসিদা মখোয়না মোটোরশিংদুবু লিক্যুইদ ক্রাইষ্টেল অমগা পুনশিন্নহল্লি। মোটোরশিংদুগী য়াম্বগী চাংসি ক্রাইষ্টেলদুগী ১% খক্তমক ওই। অদুবু মোটোরশিংদুনা উংবা হৌরকপদা লিক্যুইদ ক্রাইষ্টেলগী ষ্ট্রকচর হোংলকই। মতমসিদা গ্লাস সিলিন্দরদু লিক্যুইদ ক্রাইষ্টেলদুগী মথক্তা থম্বদা উংলকই।

ঙসিদি সুভেজ, ষ্টোদার্ট অমদি ফেরিঙ্গানা কেমিষ্ট্রিগী অনৌবা মালেম অমা শেম্বা ঙল্লে। মসিগীদমক নোবেল প্রাইজ পীবদা মতিক চাই হায়না মালেমগী লৈবাক কয়াদগী ফোঙদোক্লরক্লি। মখোয় অহুম্না স্বিদিশ কোনোর মিলিয়ন নিপালগী শরুক অহুম থোকপগী অমমম ফংগনি। তশেংবদি মোলিক্যুলর কার, রোবোট অমদি মেছিনগী ওইথোকপা য়াবসি কুমজা ১৯৬৫ দা ফিজিক্সকী নোবেল প্রাইজ ফংখিবা রিচার্দ ফেম্নেনগী ৱাখলদা মমি তমখ্রবনি। কুমজা ১৯৫৯ দা কালিফোর্নিয়া ইনষ্টিট্যুট ওফ টেক্নোলোজি (কালটেক) দা পীখিবা ‘দিয়র’জ প্লেন্টি ওফ রুম এট দ বট্টম’ হায়বা লেকচর অদুদা মসিগী মরমদা য়াম্না ময়েক শেংনা ফোঙদোকখ্রবনি। মহাক্না কুমজা ১৯৮৪ দা পীখিবা সেমিনার অমদসু ‘দিজাইন এন্দ এঞ্জিনিয়ারিং এট দ মোলিকুলর স্কেল’ হায়বসিগী মরমদা ঙাঙখিবা লৈখি। অসিগুম্বা ফেম্নেনগী মঙলানসিবু ঙসিদি ফ্রান্সকী য়ুনিভর্সিটি ওফ ষ্ট্রাসবোর্গকী জিন-পিয়র সুভেজ, য়ু এস এগী নোর্থৱেষ্টর্ন য়ুনিভর্সিটিগী সার ফ্রেসর ষ্টোদার্ট অমদি নেদরলেন্দগী য়ুনিভর্সিটি ওফ গ্রোনিঞ্জেনগী বরনর্দ ফেরিঙ্গানা মঙফাওনহনবা ঙল্লে।